# ৱাকোকলোল হীলেল থিলেল শলাই অমাইলোন পুকোকতা অৱাই-অখুম

খোমজিনবা ঃ সাপম ইবোপিশক

“ৱাখা তাবা কোইজোম্বা” হায়রিবা ময়াং লম্বোইবা হায়না পনবিরিবসি সান্তিদাস গোষাই বুনি। মীগী ফমজাও কাগনবা হায়রিবা অদুসু *পামহৈবা লারৈ লাথুপ* নচিংবা পাবিরগা খঙবীগনি। পামহৈবগী মচানুপী চম্পক লাতা হায়না মিং ওনখিবী মচা ইবেম্মা তম্ফাসনা কৌবীবু সান্তিদাস কৌবা লম্বোইবা লাইথুঙ পল্লবা অসিগী গুরু মখোঙ খুয়াখাদা কৎচদুনা “ৱাখা” কৌবা নোংমাইচীংগী মনাক্তা লৈবা খুল অসিদা লৈখি। সান্তিদাসনা লৈরম্বা মফম অমবু ঙসিসু “সান্তিপুর” হায়নহৌরি। লৈবাক মীয়াম অউবশিংনা মকোই-মরাং চোম্বা, লাইথুঙ পল্লবা সান্তিদাস লম্বোইবা অসিনা মচানুপীগুম্বী নৌজরিবী চমপক লাতা পানদুনা লৈবদু উবদা তুক্কচদুনা তীল শিংনখিবদগী “তিলশিং লম্বী (তিলসিং রোড) থোনখিবা লৈরি।

“অপোইননা মচা মায়চৌ” মুংয়াম্বা নিংথৌগী সনা হাকতক্কী মমিং চৎলবা মীতৈগী মাইচৌনি। ঙসিমকসু শক্ল-সোন্নরি। হৌজিকসু অপোইননা মচাগী মিং পন্নরিবা অসিমক মাইচৌ অমগী ফমথোল ফংখিরমদ্রবদি খন্নরল্লোই নৈনরল্লোই। পণ্ডিটকা মাইচৌগা খেন্নবা, মরম সান্তিদাসকা অপোইননা মচা কৌবা মীংগা মান্নদবা, নিংথৌরোন্দা লাপ্পবা অদুগা মিংদা ময়াংলোন মীতৈলোন ওইবগী খেন্নবা মান্নদবা ময়াম অসিনা মরম ওইদুনা মীওই অনিনী হায়বসি অদোমসু য়াবীফম থোকই।

**পাউখুমদা ৱায়েৎ ঃ** *Asiatic Society of Bengal (Volume XLVI (46) part 1-1877 printed by C. B Louis at Baptist mission at Calcutta)* চেফোংদা *Plate no VII* গা কোন্ননা লামায় ৩৬ তা অসুম্না ইরি -

*There can be little doubt, this alphabet is a form of the Devanagari and it was in all probablity introduced from Bengal along with Hinduism by some wandering Sanyasi in the reign A Charairongba who flouished about 1700 A.D. . . . This alphabet is singularly adopted to the manipuri language.*

লীখুন ঃ ময়েক অসি দেবনাগরীগী মওং অমনি অদুগা মাসি খৃঃ ১৭০০দা লৈরম্বা চরাইরোংবা নিংথৌনা পাল্লিঙৈদা অপোইবা (কোইচৎ চৎপা) সন্যাসী অমনা বেঙ্গলদগী হিন্দুইজমগা লোয়ননা পুশিল্লকখিবনি হায়বসি চীংননিংঙায় লৈতে। ময়েক অসি মনিপুরী লোনগীদমক লৌশিনখিবনি “*এসিয়াটিক সোসাইট ওফ বেঙ্গল*” না হায়রিবা ৱান্দরিং সন্যাসী হায়রিবসি অপোইননা মচা মাইচৌ অসিনি। মীতৈ ইপা ইপুশিংনা অতোপ্পা লমদগী লাক্কুনা (পোইদুনা) মীতৈ লৈবাক্তা লৈরবনি হায়দুনা অপোইবা মচা অপোই মচা হায়রিবদুনি। সান্তিদাস হায়রিবা কোইজোম্বা ময়াং মচাদুনি। *দিয়ার আর নো ত্রেস ওফ একজিষ্টেন্স ওফ রাইটিং ইন মনিপুর (লেঙ্গোইষ্টিক সরভে ওফ ইন্দিয়া ভোলুম থ্রি পার্ট থ্রি পেজ ২২/২৩)* মিঃ ডামন্টনা হায়রল্লিসিনা ৱান্দরিং সন্যাসি অপোইমচানা মীতৈ পুয়া মৈ থাদোকখি হায়বদু তাক্লল্লবনি।

মহাক্না আরবীময়েক মশিংগা মান্নহদুনা, বিন্দুবু লোম, লুম হায়না থোন্দুনা মদুবু শিজিন্নদুনা আরবীক ময়েক্কী মওংদা খোম্হোক তোঙান-তোঙানবা ওইহন্দুনা বেঙ্গলদগী পুশিল্লকপা ময়েক অসিনা মীতৈ ময়েক ওইনা পুথোকখিবনি। আরবিক ময়েক ২৭নি। ৱাঃহীঃথিঃসাঃপুঃ লাইরিক্কী ময়েকশু ২৭নি। আরবিক ময়েক্তা অ, ই, উ স্বর ময়েক অহুমসিতমক লৈ। লাইরিক অসিদশু স্বর ময়েক অহুমসিতমক লৈ। স্বর ময়েক অতৈদি আরবিক ময়েক্তা তৌবগুম্না 'অ' দা চৈতপ হাপ্লগা শেম্বনি। ময়েক অসিবু য়াদবা মীতৈ পণ্ডিট তরেৎপু তাকয়েন্দা লমচাক চারুসি পুথোক্লগা পামহৈবগী মনায়শিংনা থাংনা য়ানগে তৌবদা খুনু ওন্দুনা পায়খ্রবনি। (*রিসোর্স পার্সন - মহারাজ বোধচন্দ্রগী মন্ত্রি হাওবম ইবোতোম্বীগী ময়াম্বুং মেঘচন্দ্র, উরিপোক অচোম লৈকায়*) মীনা খুনু ওন্দুনা পায়বা হৌনদে। পণ্ডিটশিং অদু মীতৈ লৈবাক মীয়াম খংহন্দনা থাংনা য়ান্দুনা হাৎখ্রবনি। মীতৈগী লাইয়েক লাইশু হৈবা মীতৈ অহলশিংবু চিক্না লোইশিলহনবগা লোয়ননা মীতৈ ময়েক্কী খোঙ্গুল মুথৎননবা বেঙ্গলদগী পুশিল্লকপা ময়েক অসিনা পাথাংকোক, পুথাং কোক্কী লাইৱা লাইরোল পুম্নমক মথক-মখা ওন্ননা, সান্তিদাসনা নিংথৌদা চীরোল তৌবা মীতৈগী মাইচৌ খরগা তান্নরগা ৱাঃ হীঃ থিঃ সঃ আঃ পুঃ কৌবা পুয়ানি হায়জিল্লিবা লাইবিকসি ইথোক্লম্বনি। বাঙ্গালী শান্তিদাসনা ৱারী লীবা মরম্না বাঙ্গালীগী খোম্হোক্কী বানান মৱাং কায়না য়াওরিবনি। মীতৈলোনগা বাঙ্গালী লোনগা য়ানশিন্নবা ৱাহে লাইকী+লীক = লাইলীক হায়রি। মীতৈলোনগী ইমা সিতপী হায়গদবদা বাঙ্গালীগী ৱাহে মাই সিতপী হায়রি। (লাঃ৬)। অপোকপা হায়না হংদবদা বাঙ্গালীগী খোম্হোক্তা আপকপা হায়না ইরি (লাঃ ২) "ৱারী লী লী শিংবুল লী ৱাখাতাবা কোইজোম্বা নাকোইফর থদৎকে" লীখুন্দি ৱারী লীগে হায়রবদি শেংনা লীখুন্দা চুম্না লীও নংনা চুম্না লীদ্রবনিনা নকোয় ফর থদৎকে - পাথাং-পুথাংকোক্কী ৱারেং অসিদা য়াওরিবা ৱাখা তাবা কোইজোম্বা হায়রিবসি সান্তিদাসপুনি। অপোইননা মচা অমদি মানা ৱারী লীরগা তারিবা লাইরিক ইরিবা মাইচৌশিং অসি মুংয়াম্বাগী মতমগী নত্তে, পামহৈবগী মতমগী মাইচৌ ঙাক্তনি। (*হায়রিবা "পাওদমখোল" - ফোংদোকচবা-মালেম য়াফফসং, "কলৈ ঈয়েক" (লা ঃ ii) অইবা কাংজিয়া গোপাল*) অপোইননা মচাগা লোয়নরিবা মাইচৌশিং অসিগী য়ুম্নাক্কী মমৈদা লৈগদবা মমীং অমত্তা য়াওদ্রে। অপোইননা [illegible] মাইচৌগীনা য়ুম্নাক গোষাই হায়বদু য়াওদ্রে। বাঙ্গালীগী মমৈদা লৈগদবা য়ু[illegible]দ্রবা, লমখাংদা তৎখ্রবা উচীগী লমচৎ চৎপা, মীগী মচাক মরন চীকথত্তুনা [illegible]বা খাংমৈতৎ, ময়াং হৌদোং লম্বোইবা, মীগী ফমজাও কাগনবা, ৱাখাতাবা কোইজোম্বা, শিলেট মচা সান্তিদাসনি হায়বসি অচুম্বনি। উচী চী চী খাংমৈতৎ খরুং মপান খৌশাবা" দা য়াওরিবা খাংমৈতৎ অসি সান্তিদাসগোষাই অমদি মাগা লোয়ননা "ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই আমাইলোন পুকোক' শেমখিবা, ইথোকখিবা য়ুম্নাক মীং তৎখ্রবা মাইচৌশিং অদুনি।

ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই আমাইলোন পুকোক কৌবা লাইরিক অসিদা হায়রি "চৈহীকী কুমহৌ আহানপা নুমিততকী সিনথোকপা হৌপনা নুমিত ১৫ নি চঙনা ৱাকচীংগী থানিনতা লোইয়ে" লাইরিক অসি সিন্দোকপদা নুমিৎ ১৫ নি চংনবগী মরম লৈতে। ইজরিবা ঐঙোন্দা বাঙ্গালী ময়েক্তা সিন্দোকউ হায়বীরবদি অয়ুক অমগা নুংথিল অমগদগী হেন্না চংলোই। অমনা ডিক্টেট তৌবীরবদি পুং ৩/৪ দগী হেন্না চংলোয়। অদুনা লাইরিক অসি শিন্দোকপা নত্তে, শেমদোকপনি। শেমদোকপা ওইরবদি হায়রিবা নুমীৎ মশিং অসি চংবা য়ায়। শেমদোক-শাদোকপদি ৱাখল য়াম্না চংবনিনা ওয়বসু য়ায়। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা অঙ্ক ময়েক (মশিং ময়েক) অসিদি মীতৈ য়েলহৌ ময়েক্কা সাগোন্নবা মশীং লৌশিল্লগা সেমদোকপনি হায়জরি। শিন্দোকপা ওয়রবদি লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল কোপি অদু সান্তিদাসনা পুয়া মৈ থাবদা য়াওখ্রৱা ? মৈ থাখিগদৌরে হায়দুনা শিন্দোকহৌবা ওইরবদি নুমিৎ ১৫ নি চংনা শিন্দোকপদা পামহৈবা অমদি সান্তিদাসনা য়ারমগদ্রা হায়বা ৱাহংশিং অসি থোরকই।

# ৰাকোকলোল হীলেল থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোকতা অৰাই-অখুম

*ইকায় খুম্নজরিবা ইদিটর,*

ইরৈবাক খবরগী তাং ৪/৫/২০০৬ ইশুদা ইকায় খুম্নরবা শাপম ইবোপিশক হায়বা অমনা মথক্কী পুয়া অসিগী মতাংদা ইবিরকপা অদুগী পাওখুম ওইনা ইজবনি।

ইজরিবা ৰারোল অসি ৰাকোকলোল হীলেল থিলেন সলাই অমা-ই. লোন পুয়াবু মীচম মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনবা অদু থিংনবগীদমক পুয়া অসিবু মীয়াম্না খংবিনবা মীয়ামগী মফমদা থমজবনি অমদি উৎচবনি। মথক্তা অমাইলোন হায়না ইরিবদু মীতৈ ইয়েক্তা ꯑ·ꯃꯥꯏ·ꯂꯣꯟ অসুম্না ইবনি। মসি "অমাইলোন" হায়না পাবা য়াব্রা হায়বদু খনবিয়ু। পুয়া অসিবু শেমজিনবনি হায়না উৎনবা হোৎনবদা অদোম্না শিজিন্নরিবা অকরুবা ৰাফম কয়ামুক লাল্লে। অইবদি আরবী ময়েক নৈনদবনা আরবী ময়েক্কী মতাংদা করিমত্তা খংদে। আরবী ময়েক ২৭ নি হায়বসিসু খংদে। ৰাকোকলোল হীলেল থিলেল সলাই অমা-ই. লোল পুকোক পুয়াগী ময়েক ২৭ নি হায়রিবদু লাল্লে। মীতৈ ময়েক ২৭ কী পুয়া লৈতে। মীয়াম্না ময়েক ১৮ হায়রিবদু ৰাককলোল পুয়াগী মরু ওইবা ময়েকনি। মীতৈ ইয়েক্তি লাইপুঙথৌ ৭ তগী থোক্লকপনা ইয়েক ১৮ অসিগী মথক্তা চৈসিঙ সিঙথা ইয়েক ꯑ (অমা) অসি হাপচিল্লগা. ৰাকোকলোল হীলেল থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক্কী ইয়েক (ময়েক) মশিং অসি ১৯ (তরামাপল) নি। মীতৈনা ময়েক্না ইপানি হায়রিবদু, মীতৈ ইয়েকতি লাইপুঙথৌ তরেৎতগী ওইরকপনা হায়রিবনি। লোল শেংদবা মীয়ানলোন কয়া, খুদম ওইনা [illegible] (লাঃ ৬, কম্প্যুটরদা [/] অনি অসি খেন্নবা লৈতে), [illegible] (লাঃ ২), অদোম্না ইরিবা আপকপা (বেঙ্গলী ময়েক্তা নমথোক্লবা লাইরিক্তগী অদোম্না পাবিবনি) হায়বসি পুয়া অসিগী লামায় কয়াদা য়াওরি, অদোম্না লাইকী+লীক = লাইলীক অসুম্না ইরি, লাই+লীক=লাইলীক হায়না ইবিয়ু। ৰাহে অহুম অসি ময়াং লোন অমত্তা নত্তে। অশেংবা মীতৈলোননি। অদোম্না পনবিরকপা মীয়ান লোন্নি, মীয়ান লোনগা য়ানশিনবনি হায়বা ৰাহে অহুম অসিগী পাওখুম অইবদা লৈজরে। অদুবু অদোম্না "বেঙ্গোলীগী খোঞ্চোক্কী ৰানান মরাং কায়না য়াওরিবনি' হায়রবনিনা পুয়াসিদা য়াওবা বেঙ্গলী ৰাহৈশিং লোয়না পুথোকপিরকখো। অদোম্না পাবিরিবা মীতৈ ময়েকতগী transcribe তৌবা বেঙ্গোলি ময়েক্তা নম্বা লাইরিক অদু অদুম পাবিয়ু। লোয়না পুথোকপিরক্লবা মতুংদা পুয়া অসি ময়াং ৰাহে য়াওদে, শেমজিনবা নত্তে হায়বদু চপ চানা খুমজগে। অদোম্না অরোইবদা লাইরিক অসি শিন্দোকপদা নুমিৎ ১৫ নি চংই হায়রিবসি ঙকই, পুং ৩/৪ দগী হেন্না চংহন্দবা য়াই হায়না ইরি। ৰাফম অসি অদোম্না মতম অদুগী কংলৈপাক্কী মীয়ামগী ফিভম খংদবদগীনি। পুয়া মৈ থাবা অসি লিলোং অমসুং নুংশেং ইকোন্দা নমদুনা ইরুপহনখ্রবগী মতুংদনি। তকখৎতুনা মী হাৎপা অমসু মী ফুবনা মাংওইনরগা 'অরিবা লীচৎ থাদোক্কনি, ময়াং ধর্ম্ম থাদোক্লবদি ঈ-ওনা শীগনি' হায়না ৰাশকহনবনি। ৰাকোকলোল পুয়া অসি পাইরিবা চাওপা অসি কোনুংগী ফম্নাইবনি। মহাক্না পুয়া খোমগৎকদৌরে, পুয়া মৈ থাগদৌরে হায়বসি খংলকপদগী লোম্না তুমিন্না অকিং-অখংগী মখাদা শিন্দোকপনি। পুয়া শিন্দোকই হায়বসি শান্তিদাস অমসু পামহৈবনা খংলম্লবদি মহাক শিরম্লগদবনি। নুমিৎ ১৫ নি চংখিবসি ফোংনা অমসু মনিং তৌনা শিঞ্চোকপা য়াখিদবগীনি। মহাক্না পুয়া অসি লোম্না শিন্দোক্লগা চীংগী হাওখুন্দা লোৎলম্বনি হায়বসি অদোম খংবিরব্রা?

*- অদোমগী*

*ৰাংখেমচা চীংতমলেন, প্রসিদেন্ট*

*কংলৈপাক হিষ্টোরিকেল এণ্ড কলচরেল*

*রিছার্স সেন্তর, সগোলবন্দ*

## ꠀরাকোকলোল হীলেল থীলেল সলাই অমাইলোন পুকোকতা অৱাই অখুম

# ৰাংখেমচা চীংতমলেনগী পাউখুমদা সাপম ইবোপিশক

*ইকায় খুম্নজরিবা ইদিটর,*

কেঠোলিক খৃষ্টানগী পাষ্টরশিংনা মখোয়গী তুংইনবশিংবু লেটিন লোন তমহন্দবা, বাইবল পায়হন্দবা - হিন্দু ব্রাহ্মনশিংনা ক্ষেত্রি, বৈশ্য সুদ্রশিংবু সংস্কৃত তমহন্দবা, বেদ পুরান শোকহন্দবা - মতৌ অসিগুম্না ইসলামশিংগীদসু ইস্লাম লাইমীং লৌদবা মীনা কুরান লো, আরবিক ময়েক লোন, কুরান তমহন্দবগী চৎনবি লৈ। আরবিক ময়েক্কী কুরান হৈবা ইমাম সাহবশিংদা হংজবদা খরনা ময়েক ২৭ নি হায়, খরনা ২৯ নি হায়। অঙকপা মওংদা আরবিক ময়েক, লোন হৈবী, ইমা লৈমরেলগী শক্তম লাংখিবী মীতৈ নিঙোলনা পোকপা পাঙলগী ইমা অমদগী আরবী ময়েক্কী মপী লাইরিক "কায়দা" কৌবা অমা ফংজখি। লাইরিক অসি উবদগী আরবিক ময়েক ২৭ নি, নৎত্রগা ২৯ নি হায়বসু য়ায় হায়বসি খংজখি।

"ৰাকোকলোন থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক" কী সপোর্টর ওয়না - মনিপুর সরকারনা শেম্বা "মীতৈ ময়েক এক্সপার্ট কমিটি অদুদা ইকায়খুম্নরবা কাংজিয়া গোপাল য়াওখিবনি। মহাক্না ইবা "কংলৈ ঈয়েক" লাইরিক্কী লমায় ২৭ তা মখাগী অসুম্না হায়রি ঃ "*(আরবী) ময়েক লোইনা তিনশিন্নরগা মীতৈ ময়েক ১৮ দগী থোকপা খোম্লোক ২৭ কা মশিং মান্নৈ।*" ইকায় খুম্নরবা ৰাংখেমচা চীংতমলেন্না হায়রি - "*চৈসিং সিঙথা ইয়েক ς· (অমা) অসি হাপচিল্লগা ৰাকোকলোন থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক ময়েক মশিং ১৯ নি।*" অদু ওয়রবদি *ৰাকোকলোন থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক* গী লামায় ২৬ তা য়াওরিবা লোনসুম ইয়েক তরা অসিগা পুল্লগা ময়েক কুনমাপাল শুই। আরবীক ময়েক ২৯ নি হায়রিবসিগা ময়েক মশিং মান্নৈ। শিংথা ময়েক ς· হায়রিবসি স্না কোনুং পণ্ডিটশিংনা "অঞ্জি" কৌবা ময়েক অদুনি।

বাঙ্গালী ময়েক্তা ফোংলিবা *ৰাকোকলোন থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক* দা য়ুম্ফম ওয়রগা ঐনা ইজরিবনি। লাইরিক অসিদা ৰায়েৎ চংলকপদা খুম্থা ঙমলক্তগা অরীবা ময়েক্তা ইবা, মীয়াম্না উবা ফংদ্রিবা *ৰাকোকলোন থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক* দদি অতোপ্পা ৰারোল অমনি হায়জিনবীরক্নু।

মীতৈ লৈবাক্তা যণগাড়ী শিজিন্নদ্রিঙৈদা লৌবুক্তগী ফৌ, চরুনচিংবা চীংখৎপদা কাংবোৎ শিজিন্নরম্মী। চীংতমলেন্না চহি নৌরিবা ওয়রবদি কাংবোং উরমদবসু য়ায়। কাংবোৎতি লৌরি কক্তুনা গাড়ী লীক শেমদ্রবসু য়ায়। যম্না লৌরী কান-কান্দুনা ফৌ-চরু চীংবা ঙম্মী। যণগীড়ীদি লৌরী কক্তুনা গাড়ী লীক শেমদ্রবদি চীংবা ঙমদে। মরম অদুনা লম্বীগী ৰাখন্দা লীক হায়বসি যণগাডী শিজিন্নবা হৌরকপগা লোয়ননা থোক্লকপা ময়াং মরোলনি। *ৰাকোকলোন থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক* গী লমায় ৪৫ দা "*লাইকী লীক ঃ লাইলীক হায়না কৌখলে*" হায়না ইরি। *লাইলীক* তা য়াওরিবা লীক হায়বসি ময়াংলোন্নি। লমায় ৬ তা ইমা হায়গদবদা ময়ালোনগী "মাই" হায়রি।

থাংমৈবন্দা লৈবা মীতৈ ওল্লবা বঙ্গালী ইমুং অমদা "*হাউদোং মাপল থোকখ্রে*" খুঙ্গংদগী ইম্ফাল ৱারকপা নুপীশিংনা মদু তাবদা মথবাক য়ৈদুনা হায়রকই - *ই ঃ হৌদোং য়াম্না লোইরেদা।* অচুম্বদি হৌদোং মপাল থোকখ্রে, হায়বনি। অতোপ্পা থৌদোক অমদনা "নংগা মাহাক্কা নমান্নব্রা" হায়গদবদা মীমাংদা হায়বা য়াদবা ৱা ওয়না হায়রকপদগী মীতৈ নুপা মচাগা ময়াং নুপা মচাদুগা য়ৈনখিবনি। মীতৈগী লোন চুশিন্নদ্রিবা ময়াং বাঙ্গালীনা আকার য়াওদনা হায়গদবদা আকার য়াওনা হায়গল্লি। আকার য়াওদনা ইগদবা ৱাহৈগী বানানদা আকার য়াওনা ইবা ৱাহৈ মরাং কাইনা ৱাঃ হীলেলদা য়াওরিবনি। মাদু লোয়না ইবদা খবর পারিবশিংবু ৱাহনবা তাগনি। "*আপকপা*" হায়বা ৱাহৈ অসি মীতৈলোন চুশিন্দ্রিবা ময়াং বাঙ্গালী অমদা পাহনবদা "*আপোকপা*" হায়না শোয়দনা পারক্কনি। থাজবীদ্রগা মীতৈগা শন্নদ্রিবা ময়াং বাঙ্গালী অমদা পাহনবীরগা ঐহাক্কা হায়জরিবসি অচুম্বনি হায়বা ংংবি ানি "অ পকপা" হায়বা ৱাহৈ অসি লাইরিক অসিগী লামায় ২ দা অমা, লাঃ ৩ দা অমা, লাঃ ৪ দা অনী, লাঃ ৭ তা অনী, লাঃ ১৮ অমা, লাঃ ৪১ দা অহুম, লাঃ ৪২ দা অমা, লাঃ ৪৩ দা অমা, লাঃ ৪৭ তা অমা, লাঃ ৪৮ দা অমা, লাঃ ৫৫ দা অমা, লাঃ ৫৭ তা অমা য়াওরি। লামায় ৫৯ পানবা লাইরিক অমদা মীতৈলোনগা শন্নদ্রিবা ময়াং বাঙ্গালীনা মখোয়গী খোন্থোক্তা "*আপোকপা*" হায়না পাগদবা "*আপকপা*" হায়বা ৱাহৈ ২৫ য়াওরি। অদু ওয়রবদি বাঙ্গালী খোন্থোক্কী বানান মরাং কায়না য়াওরি হায়বসিবু লাল্লব্রা? "*বাঙ্গালী খোন্থোক্কী বানান মরাং কায়না য়াওরিবনি*" হায়বসিগী ৱাহন্থোক লান্না হন্দুনা খবর পারিবা মীয়াম্বু মীনল্লবা হোৎনবীগনু।

"*মীতৈনা ময়েক্কা ইপানি হায়রিবদু মীতৈ ইয়েকতি লাইপুংথৌ তরেৎতগী ওইরকপনা হায়বনি*" হায়বীরি। মীতৈনা লাইপুংথৌবু ইপা হায়না হায়নদে। লাইনিংথৌ সোরারেনবুদি ইপা হায়না কৌনৈ। খুদম ঃ "*ইপা সোরারেন নংগী হুই কারুবীনা চীকখ্রে, হীদাক থাদবীরকউ*" মসি ককচেং নোংমৈথৌনা চীকখ্রবা মতমদা হায়নবনি। মরম অদুনা অদোমগী "*মীতৈ ময়েক্কা . . . . হায়বনি*" হায়বা মথক্কী ৱারোল অসি কারন তাবা ৱারোন্নি। ময়েক্কা ইপানি হায়বসিদি অদোম্না হায়জনবনি, নাতৈ চাদে।

মীতৈ পুয়া মৈ থাখিবসি মীতৈ ঈনাৎপু পুমমুৎ মুথৎলগে ময়েক মসোল মাংহল্লগে হায়দুনা হোৎনবনি। *ৱাকোকলোন থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক* পায়রিবা পামহৈবা নিংথৌগী অঙম্বা য়ুম্নাক য়াওদ্রবা "চাওপ্পা" হায়বা পণ্ডিট অসিনা নুমিৎ ১৫ নি চংনা, লাইরিক অসি মৈ থাখিগদৌরে হায়দুনা শিন্দোকহৌবদা শান্তিদাস অমদি নিংথৌনা খংলম্লোই হায়বিসসু অঙকপা অমনি। মীতৈ ময়েক্কী ইহৌ ১৯৩০ দা কছাড় লৈপাক্তা হৌরকই, মীতৈ লৈপাক্তা ১৯৪৫ দা হৌরকই। হৌজিক ফাওবদা মীতৈ ময়েক অচুম্বা লেপথোকপা ঙমহন্দ্রিবসি *ৱাকোকলোন থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক*তা য়াওরিবা ময়েক অসিনা লোইরং-শিংখোং ওয়দুনা য়েৎলকপননি। শান্তিদাসনা থাক্লম্বা লাংনি। লাইরিক অসি শিন্দোকপনি হায়বগী মহুত্তা শেমদোকপনি হায়বনা হেন্না পকচগনি।

June 4/2006

ৰাকোকলোল হীলেল থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোকতা অৰাই-অখুম

# শাপম ইবোপিশক্কী পাওখুমদা ৰাংখেমচা চীংতমলেন

*ইকায় খুম্নজরবা ইদিটর,*

অদোমগী ইকায় খুম্নরবা পাওচে ইরেবাক্কী মে তাং ৪ ইশুদা ফোংখিবা ইকায়খুম্নরবা শাপম ইবোপিশক্কী ৰাফোংদা, মথক্কী পুয়া হায়বদি ৰাকোকলোল হীলেল থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক্কী অৰাই অখুম ওইনা ঐগী ৰায়েৎ মে তাং ১৫ দা ইজখিবনি। ৰায়েৎ অদু অদোমগী পাওচেদা মে তাং ১৮ দা ফোংবিরকখি। ঐগী মে তাং ১৮ গী ৰায়েৎ অদুগী পাওখুম ওইনা মরুপ ইবোপিশক্না অদোমগী পাওচেদা মে তাং ২২ দা অমুক ৰায়েৎ থম্বীরকখি। ঐনা হৌজিক ইজরিবসি মরুপ ইবোপিশক্কী মে তাং ২২ দা ফোংখিবা ৰায়েৎ অদুগী পাওখুম ওইনা ইজবনি।

পুয়াগী অৰাই অখুমদা থৌৰাই য়াম্না য়াওবিরিবা ইকায় খুম্নরবা মরুপ ইবোপিশক মীতৈ ময়েক অমদি পুয়াগী মতাংদা ইখং খংদবগুম তৌরি। হৌজিক্কী মতমদা মনিপুরদা মরু ওইবা পুয়া অনি লৈ (১) *ৰাকোকলোল হীলেল থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক।* পুয়া অসি ১৯৭০ দা লোংঙা কোইরেংদগী খুৰাই মীতৈ থৌকল লাংকল মলুপনা ফংলকপনি। (২) *ৰাকোকলোল থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক।* পুয়া অসি লৈখিদ্রবা ইকায় খুম্নরবা অহল ইবুংঙো থোকচোম থৌকাচানপা মীতৈনা পুথোকপিরম্বনি। *"লাইলিক অসি থোকচোম থোকচাও পাংকনপগী মপুথৌনা সিচিন্নালমপা লাইলিকনে।"* হায়রি। পুয়া অনি অসি ই● য়েক ই● পী ১৮ গী ইহৌ পীবা; মীতৈ কাংলুপতি ১৮ শুবা চহীচা পামহৈবনা পানবা মতম ফাওবদি ইয়েক ১৮ দা ইরমই, চৎনরমই; পামহৈবনা পানবা মতম ফাওবা লৈপাক অসিগী মমিং কংলৈপাক কৌরমই, মনিপুর হায়বা মমিং অসিদি পামহৈবা অমদি শান্তিদাসনা থোনজিনজরবসু ভাগ্যচন্দ্রগী মতম ফাওবদি কংলৈপাক অদুম কৌরমই হায়বগী অরেপ্পা তাকপা লাইরিকশিংনি। পুয়া অনি অসিগী মথংদা অশুমশুবা পুয়ানি হায়জবা ময়েক ৩৫/৩৬ না ইবা লাইরিক কাংলুপ অমসু লৈরি।

ঐনা মে তাং ৪ গী ৰাফোংদা ৰায়েৎ পিজখিবদু হেদ্দিংগী পুয়া মমিং - ৰাকোকলোল হীলেল থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক - পুয়া অসিগী ওইনতা ৰায়েৎ পীজখিবনি। মরুপ ইবোপিশক্সু পেরা ৫ দা *"ৰাঃ হীঃ থিঃ সাঃ পুঃ লাইরিক্কী ময়েকসু ২৭ নি।"* হায়না ই। অদুগা মখা খরা চত্থরগা পেরা অদুমক্তদা "ৰাঃ হীঃ থিঃ সঃ আঃ পুঃ কৌবা পুয়ানি" হায়না ইরি। মরম অসিদগী ঐনা য়েৎচরিবসি ৰাঃ হীঃ থিঃ সঃ অঃ পুকোক পুয়া খক্তগী মরমদনি হায়বসি মরুপনা খংবিফম থোকই। ঐনা মথক্তা পীজখিবা অহানবা অমসু অনিশুবা ৰাকোকলোল হীলেল থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক অমদি হীলেল য়াওদবা, ৰাকোকলোল থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক অনি অসি খরা মান্নজরবসু য়াম্না থীনা খেন্নে। অদোম পুয়া অনিমক নিংথিনা খংদব্রা কৈনোমা তৌই। ঐনা ইজখিবদি "চৈসিঙ সিঙথা ই● য়েক ꯑ· অমা অসি হাপচিল্লগা, ৰাকোকলোল হীলেল থিলেল সলাই অমাইরোন পুকোক্কী ইয়েক (ময়েক) মশিং অসি ১৯ (তরামাপল) নি।" হায়জবনি। অদোম্না হৌজিক "চৈসিং সিঙতা ইয়েক ꯑ· (অমা) অসি হাপচিল্লগা ৰাকোকলোল থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক ময়েক মশিং ১৯ নি" হায়না ঐনা ই হায়জিল্লক্রে। অদোম পুয়া অনিমকসি উদ্রিব্রা/খংদ্রিব্রা অমদি তৌরে। পুয়া অনি অসি মান্নদে, য়াম্না থীনা খেন্নে।

অদোম্না "বাঙ্গালী ময়েকতা ফোংলিবা ৰাকোকলোল থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোকদা য়ুমফম ওইরগা ঐনা ইজরিবনি।" হায়না ইরি। অদোম্না পল্লিবা পুয়া অসিগী লোনশুম ময়েকতি ৮ (নিপাল) খকতনি, ১০ (তরা) নি হায়বদুসু লাল্লে। অদোম্না লাইগী মশক ওইরবা মীতৈগী সিঙথা ইয়েক ꯑ: অসিবু "স্না কোনুংগী" "অঞ্জি" নি হায়জিল্লে। অঞ্জি হায়বসি লৈবাক অসিগী মী খরনা পুয়ানি হায়জবা ময়েক ৩৫-৩৬ না ইবা লাইরিক অয়াম্বদা য়াওই। অঞ্জিগী মশকতি ꯑ, বেঙ্গোলী ময়েক্কী সিংথা ময়েক ২ মানবা অসিগী মকোক মথকতা "চন্দ্রবিন্দু", থা মচেৎতা বিন্দু নম্বা অসিনি। সংস্কৃত ৰাহৈনি। চন্দ্র হায়বনা থা হায়বনি, বিন্দু হায়বনা ই● লিক হায়বনি। চন্দ্রবিন্দু য়াওবা "অঞ্জি" বু করম্না চৈসিঙ সিঙথা ই● য়েক ꯑ· গা মান্নগদৌরিবনো? হৌফম খেন্নে, মশক খেন্নে।

অরোইবদা মরুপ ইবোপিশক্কী মফমদা হায়জনিংবদি *original* ওইবা মীতৈ ই● য়েক (ময়েক) গী পুয়াদগী বেঙ্গোলী ময়েকতা *Transcribe* তৌবা য়াম্না লুবা থবক্নি। *Transcribe* তৌবা হৈত্রবদি *Transcribed book* অদু *original* গী ৰাখল অদু খংদে, লাম্না লমজিংই। মরম অসিদগী ঐনা অমাইলোন, আপকপা হায়বা ৰাহৈশিংদু মীতৈ ই● য়েকতা (*original* দা) [illegible] অসুম্না ইবনি, বেঙ্গোলী ময়েকতা ইরিবা অদুগা চানবা য়েংবিয়ু হায়জখিবদুনি। *original* খংদনা *Transcribed book* তা হেক্তা পারগা মীঙোন্দা কন্না য়েৎপিরুনু। মসিগী মতুং অমুক পাওখুম পীজররোই ৰারৌবিনু।